## RNU, IMPHAL
## MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
(DATE 13-12-2024)

**সিএম (এল) ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা মতম চুপ্পগী ওইবা ৱারোইশিন অমা পুরকবা কন্না হোৎনরি। অদুমওইনমক, মসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবা হায়বসি মতম চংগনি।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী পুলিস ষ্টেসন তরুকা কোনবা মফমশিংদা অমুক হন্না অফস্পা থমজিল্লকপগী মতাংদা শ্রী বিরেননা হায়-রাজ্য সরকারনা কেন্দ্র সরকারদা হায়রিবা পুলিস ষ্টেসনশিং অসিদগী অফস্পা লৌথোকপীনবা হায়জখ্রে। রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাদবা পুরকবা সরকারনা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামসু তেংবাংবীনবা মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-নুপীশিংগী শু নোম্বা অমদি কৎথোকপা অসিবু খঙদুনা রাজ্য সরকারনা নুপীশিংগী ওইবা য়াইফ থৌরাং স্কিম 'ইমা নোংথাংলৈমা য়াইফ তেংবাং স্কিম' হৌদোক্লুনা চহি ৪০ গী মথক্তা লৈবা থবক ফংদবা নুপীশিংদা শেলগী মতেং ওইনা থাগী লুপা ৫০০-৫০০ পীরি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা নুপী লাল থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বিরেননা হায়-লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং য়েংদুনা রাজ্য অসিগী জিলা অয়াম্বদা ইমা কৈথেলশিং শারে।

রাজ্য অসিগী মীয়ামবু অশোয় অঙাম থোক্তনবা অমদি তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা নুপীশিংনা থৌনা ফনা লৌরিবা থৌদাংবুসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। মসিদা নত্তনা নুপীশিংনা কালা সংস্কৃত্তি, শান্ন খোৎনবা, সমাজগী ওইবা থবক থৌরমশিং, শেন্মীৎলোন অমদি ইমুং মনুংগী ওইবা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। মসিগীদমক মখোয়গী মফমদা তৌবীমল খঙবসু উৎলি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

**হেলথ (এল)ঃ** নুপী লাল নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা শিংজমৈ সুপর মার্কেটতা ঙরাং লৈমা চনু নৰা তেংবাং লুপ, শিংজমৈ চিঙামথক চোংথাম লৈকাইনা শিনদুনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা অনাবশিং লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

**ফেষ্টিবেল (এল)ঃ** মনিপুর ইন্দিজিনস পিপলস কলচরেল একচেঞ্জ ফেষ্টিবেল ঙসিদগী কামজোং জিলাগী চাদোংদা হৌরগনি।

ফেষ্টিবেল অসি মনিপুর য়ুনাইটেদ বাইও দাইভরসিতি হায়বা হীরমদা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মনিপুরনা রাজ্যগী টুরিজম বিভাগকী মখাদা শিনবনি।

নুমিৎ নিনি চথুগদবা ফেষ্টিবেল অসিগীদমক রাজ্যগী মনিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টনা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাননবা মোইরাংখোমদা লৈবা এম.এস.টি. কমপ্লেক্সতগী গাড়ি অনি থৌরাং তৌরি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** নই চেতনা থ্রি পোইন্ট জিরো নেসনেল জেন্দর কেম্পইন হায়না মিংথোনবা নেসনেল কেম্পেইন টি.সি. কলেজকী মল্টি পরপজ হোলদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেইন অদু কলেজ অসিগী টিচরস এদুকেসন অমসুং সোসিএল ৱাকনা শিনদুনা নুপীশিংদা শক্তি পীবা অমদি জেন্দর বেস ভাইওলেন্সতা মীৎয়েং থমদুনা পাঙথোকপনি। থৌরমদুদা টিচিং, নোন-টিচিং অমদি মহৈরোই য়াওনা পুন্না মীওই ১৫০ রোমনা শরুক য়াখি।

**দিফেন্স ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রালয় অমদি হিন্দুস্তান এরোনোটিক্স লিমিটেদ অনিগী মরক্তা টুয়েল্ব সু থারটিন এম.কে.এল. ইয়ার ক্রাফট অমদি মসিগী মচাকশিং লৈনবগীদমক লুপা কোতি লিশিং ১৩,৫০০ গী য়ান্ন-চে অমা সহি তৌনখ্রে।

মন্ত্রালয়না হায়-মসি লৈবাক অসিগী ওইনা ঙাকশেলগী লমদা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবনি। ইয়ারক্রাফট অসি শাবদা লৈবাক অসিগী দিফেন্স ইন্দষ্ট্রিগী মচাক মথুম চাদা ৬২.৬ য়াওরি।

**মীতিং ঃ** কেন্দ্রগী সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংনা সভাপতি ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা বাইও টেকোলোজি রিছার্স এন্দ ইনোভেসন কাউন্সিলগী অনিরকশুবা চহিগী জেনরেল মিতিং পাঙথোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ডা: জিতেন্দ্রনা হায়-বেলোরগী খৃষ্টান মেদিকেল কলেজতা বাইও টেকোলোজি বিভাগকী তেংবাংগা লোয়ননা হেমোফেলিয়াগী জিন থেরাফি মায় পাকা পাঙথোকখ্রে। মসি ন্যু ইংলেন্দ জর্নেলনসু রিপোর্ট তৌখ্রে। মন্ত্রিনা ভারতকী বাইও টেকোলোজি সেক্তরগী অনৌবা খোঙচৎকী মতাংদসু ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা বি.আর.আই.সিগী চহিগী রিপোর্ট, আই. থ্রি. সি, বি.আর.আই.সি, আর.সি.দি. পি.ঐচ.দি. প্রোগ্রাম বাউসর অমদি বি.আর.আই.সি. এল্যুমনাই পোরটেলসু হাংদোকখি।

**সংসদ ঃ** সরকারনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি-উজৱালা য়োজনা টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা ইং ২০২৩-২৪ দগী ২০২৫-২৬ ফাওবা চাক থোংনবা গ্যাসকী কন্নেক্সন কোতি অমা লাখ ৬০ পীখ্রে।

লোক সভাদা ঙরাং অইবা ৱারোল পীরদুনা কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাসকী রাজ্য মন্ত্রি-সুরেস গোপিনা হায়-সরকারনা ২০২৫-২৬ ফাওবদা ফংনবা থমখিবা পান্দম অদু চহি অসিগী জলাইদা য়ৌবা ঙমখ্রে। সরকারগী থৌশিল অসিনা লৈবাক অসিদা গ্যাসনা চাক থোংবগী মীশিং চাদা ৬২ হেনগৎলে। মহাকা হায়-উজৱালা স্কিম অসি ২০১৬ কী মে থাদা হৌদোকখিবনি। অহানবা ফেসতা মীওই কোতি ৮ দা গ্যাসকী কন্নেক্সন পীনবা

থমখিবা পান্দম অদু ইং ২০১৯ দগী সেপ্তেম্বরদা ফংবা ঙমখি।

**পঞ্জাবঃ** পঞ্জাব পুলিস অমদি বোর্ডর সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং নুংথিল অমৃতসরগী জাসরুর মনাক্তা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা দ্রগ লল্লোনবা মীওই অনি ফারে।

মখোয়দগী শেল য়াওনা অতে পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওই অনি মখা তানা থিজিন্নবগীদমক পঞ্জাব পুলিসতা শিন্নখ্রে।

**চেসঃ** ভারতকী গ্রান্ট মাস্তর-দোমারাজ্ গুকেসনা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী নহা ওইবা চেস চেম্পিয়ন ওইরে।

সিঙ্গাপুরদা পাঙেথোকপা এফ.আই.দি.এ. ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা মহাকা চাইনাগী শান্নরোই-দিং লিরেনবু থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। চহি ১৮ দং ঙায়রিবা গুকেসনা চেম্পিয়নসিপ অসিদা পোইন্ট ৭.৫ ফংখি অদুগা চাইনাগী শান্নরোই-দিং লিরেননা পোইন্ট ৬.৫ ফংখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওহনা ফোংনরি।

নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, মনিপুর ন্যূজ, সনা লৈবাক, পোকফম, মোরনিং বেল, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস গানফিয়ু মেল, তমেংলোং টাইমস অমদি মনিপুর মেল পাউ-চেশিং অসিদা

ফোংনরি।

চুরাচান্দপুর, লমগী ৱাহৌদা খুল অনিগী মীওইশিং নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎতোকরমগদৌরে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইরাং অসি কমপ্লেক্স ওইমনবনা তাপ হেক পায়বা য়াদবগী মতম চংবনি, পার্লিয়ামেন্ট সোলুসন পুরকবা হোৎনরি হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ইমাগী মৈরা লুচিংবী সুজাতা দেবী পুলিসনা দিটেল তৌদুনা থমলুরে, পেন্দবা ফোংদোরক্লি হায়না ফোংলি।

য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন বিল পাস তৌখ্রে। পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা পুথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অমসু মনিপুর ন্যুজগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

জিরিবামগী নরায়নপুর মীতৈ খুলদা বোম শিজিন্নদুনা মীতৈগী য়ুম অমা থুগায়খ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউ-চেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

চাদোং ফেষ্টিবেলগী মাংওইননা এল.দি.এনা হি খুদোল তমখ্রে হায়বা পাউ অমসু পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ অমসু ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বোসেমগী ইমপ্লোয়িশিং পেন দাউন্দ ষ্ট্রাইক চত্থরি, মহৈরোইশিংগা খল্লগা এসোসিয়েসননা মীপায়রি হায়বা পাউ অমস্ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ফিসরি স্কিমগী আউটরিটচ কেম্পেইন পাঙথোকখিবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

জেনাময়ি বেন্দ্রমাইদা অনিশুবা জেমে ওলিম্পিক হৌদোকখিবগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।